**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-09.2024)**

**ইন্তরনেট (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা মণিপুর সরকারনা ইন্তরনেট সার্ভিস ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ৫ নি অমগসু মখা তানা থিংজিনখ্রে।

রাজ্য সরকারগী হোম বিভাগকী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীওই কয়ানা সোসিয়েল মিদিয়াদা অরানবা পাউশিং শন্দোক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি অমদি লন থুম অমাং অতা থোকহল্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈবনা ইন্তরনেট সার্ভিস অসি থিংবনি। অথিংবা অসি থা অসিগী ২০ গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা চৎনগনি।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** মনিপুরগী তম্পাক্কী কার্ফিয়ু লৈবা জিলাশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা থোকপা চেরোলশিংগী মতুং ইন্না কার্ফিয়ু কোমথোক্লিঙৈ মনুংদা ইসেন্সিএল সার্ভিসশিং, হেলথ, পি.ঐচ.ই.দি, ম্যুনিসিপালিতিগী ওফিসিএল অমসুং ষ্টাফশিং, পৱার (এম.এস.পি.সি.এল) অমসুং এম.এস.পি.দি.সি.এল, পেট্রোল পম্প, কোর্ট, ফ্লাইট পেসেঞ্জরশিং অমসুং মেদিয়াগী মীওইশিংদদি অথিংবা লৈরোই হায়রি।

**বন্দ (এল)ঃ** হন্দক ককৱাদা মনিপুরগী ইরাংগা মরী লৈননা চত্থখিবা খোঙজংগা মরী লৈননা য়ুমদা লৈবী মীরোনবী অমা শোকখিবা অদুগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা কৌখিবা পুং ২৪ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক হন্দোকখ্রে।

ঙসি মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েটতা জে.এ.সিগী মীহুৎশিং অমদি সরকারগা ৱারী শান্নবদা ঙরাং অহিংদগী কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অদু হন্দোকপদা য়ান্নখি। মসিগা লোয়ননা ৱারী শান্নবা অদুদা জে.এ.সিনা তোঙান তোঙানবা দাবী তরুক পুখৎতুনা সরকারনা হায়রিবা দাবীশিং অদু অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকবা তকশিনখি। হায়রিবা দাবীশিং অদুগী মনুংদা-খোঙজং চংশিনবা মতমদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ুল্লক্তা টিয়ার গ্যাস সেল অমদি মোগ বোম্বনচিংবা কাপশিনদুনা য়ুমদা লৈজবা মীচমশিংদা অৱাবা তাহনবগী থৌওং খুদক্তগী তোকপা, শিংজমৈগী এস.দি.পি.ও. কে. সুন্দরবালা দেবী থবক্তগী সসপেন্দ তৌবা অমদি নুমিৎ অদুদা য়ুল্লক্তা টিয়ার গ্যাস সেল কাপশিনদুনা মীরোনবী অমবু ফিভম থিনা শোকহনবদা চেন্নরিবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎপা হায়বা য়াওরি।

জে.এ.সিগী মায়কৈদগী ককৱাগী থৌদোক্তা শোক্তুনা হৌজিক রিমসতা ফিভম লুনা লায়েংলিবা নাওরেম ওংবী সঞ্জিতাবু মপুং ফানা ফগৎহন্নবা অনা লায়েংবগী থৌদাং সরকারনা লৌগদবনি। মসিগা লোয়ননা নাওরেম ওংবী সঞ্জিতাগী লৈখিদ্রবা অঙাং অদুগী মতিক চাবা ক্ষেতিপুরোন সরকারনা পীবা অমদি সঞ্জিতাদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চথখিবা থৌওংগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা চংশিনখিবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবা হৌজিক পুলিসনা ফাজিনদুনা থল্লিবা মীওইশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকপা য়াওরি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী মোংবুং ভিলেজতা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ঙরাং নুমিদাং কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা জিরিবামগী মোংবুং মীতৈ ভিলেজতা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী মোংবুং পুলিস পেকেড অমদি খুল অদুগী ভিলেজ ভোলুন্টিয়ার লোয়ননা জিরিবামগী কম্মাণ্ডো

দাগী কাংবুনা খুৎ হন্দুনা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপখি। অদুমওইনমক, থৌদোক অদুদা মীশি মীনা থোকপগী পাউদি লৈতে।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ঙসি অয়ুক জিরিবাম এস.পি. কে.ঐচ. রোবিন্সন সিংহনা লুচিংবা পুলিসকী কাংবু, কম্মান্দোগী কাংবু, সি.আর.পি.এফকী বটালিয়ন অনি অমদি অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবুনা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথখিবনি। মদুদা-পোন্থী বোম ১৬, পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, লাইফ রাউন্দ কয়ামরুম, টুয়েল্ব বোর এমটি কেস ৫৬০, এম্যুনিসন বেল্ট য়াওবা লাইফ রাউন্দ ১১, পোইন্ট থ্রি জিরো থ্রি এমটি কেস ১০৫, সভেন পোইন্ট সিক্স টু ইন্টু ফিফতি ৱান এম.এমগী এমটি কেস ৪৫, ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স ইন্টু ফোরটি ফাইব এম.এমগী এমটি কেস ২৫, গন পাউদর য়াওবা প্লাষ্টিক কেরি বেগ অমা য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখি।

**কন্দেম (এল)ঃ** রাজ্যগী ভেটিরিনারি এন্দ এনিম্যেল হসবেন্দরি অমসুং ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি-খাশিম বাশুমগী লমফেলদা লৈবা ওফিসিএল ক্বাটরদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম শকখঙদবশিংনা বোম লংশিনদ্না পোকখায়হল্লম্বগী থৌওং অদুবু তাংখুল নাগালোং (পি.এন.এল) য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-অসিগুম্বা বোম লংশিনদুনা কিহন খঙহনবগী থৌওং অসি খ্বাইদগী পাংদবা অমদি খুন্নাই অসিদা তৌহৈদবা থৌওং অমনি। হায়রিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং মশানা খঙনা চংজরকপনা অফবা ওইগনি। মসিগী মথক্তা সরকারনসু অথুবা মতমদা থিজিনদুনা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা হোৎনগদবনি।

**রেল্লি(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা মীরৈবাক্তগী আইন কায়না চংশিল্লকপা কুকি-নারকো টেরোরিষ্টশিংনা য়েলহৌমী মীয়ামগী পন্সিদা অকায়বা পীদুনা মীহাৎ

মীপুনচিংবা থৌওং কয়া চথরক্লিবা অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা অন্দ্রো কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা মৈরা পায়বীশিংনা ঙসি ৱাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে। লোয়নন মীয়ামগী খোঙচৎ অমসু চৎখ্রে।

য়াইরিপোক মৈরা পায়বী লুপনা শিনদুনা চথখিবা খোঙচৎ অদুদা মীয়ামনা য়াইরিপোক কৈথেলগী ত্রাফিক আইলেন্দ ফাওবা লাক্লবা মতুং য়াইরিপোক লাইমনাই মল্টি পরপজ কম্মুন্যনিতি হোলদা ৱাকৎ মীফম ফমখি। মদুদা তোঙান তোঙানবা খোল্লাউ কয়া অমদি প্লে কার্ডনচিংবা শিজিন্নখি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী ইরাংগা মরী লৈননা চথরিবা খোঙজংদা মীওই খরনা মনিপুর পুলিস তমা অশোক অপন থোকহনবা য়াবা মওংদা হিংশাগী থৌওংশিং চথরে হায়দুনা মদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌওং চথবীদনবা মনিপুর পুলিসনা আপিল তৌরি।

ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী এস.পি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা মনিপুর পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসারশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দি.আই.জি. (রেঞ্জ টু)-এন. হেরোজিৎনা হায়-হন্দক চংশিনখিবা খোঙজংশিংদা য়োৎ মকক অমদি মারবোন মরু শিজিন্নদুনা সেক্যুরিতি ফোর্স তমা নাউরি কাপশিনবনচিংবা থৌওংখক নত্তনা পেত্রোল বোম, টিয়ার গ্যাস সেলনচিংবা কাপশিল্লকপা অমদি ওটোমেটিক রাইফল শিজিন্নদুনা পুলিস তমা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক কয়া থোক্লে। গনন্ত্রিক ওইবা খোঙজংশিংদা কনাগুম্বা মীওই খরনা অতমনা হিংশাগী থৌওংশিং চথরকপা অসি পুমমক্কী লাইবক থিবনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

শ্রী হেরোজিৎনা হায়-রাজ্যগী শান্তি রক্সাগী ফিভম ফত্তনা লৈরিবা অসি ফাওবদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী খোঙজং চংশিল্লকপশিংদা কা হেনবা থৌওং চথবা লৈত্রি। রাজ্য অসিগী ইরাংগা মরী লৈননা চংশিল্লিবা খোঙজংশিং অসিদা য়াওরিবা মীওই অমত্তবু সেক্যুরিতি ফোর্সনা অশোক অপন নংহনবা

পামদে। অদুম্মকপু, খোঙজংশিং অসিদা কা হেনবা মওংদা হিংশাগী ওইবা থৌওংশিং পুলিস তমা চথুরকপা থিংনবা হোৎনবদা মীওই খরা অশোক অপন নংবা য়াওখিবা অসিদা মনিপুর পুলিসনা নুংঙাইতবা ফাওই। অদুবু, ওইরক্লিবা খোঙজংগী মওং মতৌ অমদি রাজ্যগী শান্তি রক্সা ঙাকা থমবা হোৎনবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তঙাইফদনা ইরাং লাকশিন্নবা পায়খৎফম থোকপা থবক খরদি পায়খৎতবদি য়াদে।

**দ্রাইব (এল)ঃ** মাও বেপটিস চরসেস এসোসিয়েসননা, সেনাপতি জিলাগী মাও গেটতগী সেনাপতি বজার ফাওবা মফমশিংদা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। এসোসিয়েসন অসিনা হায়-লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংনা অমোৎ অকায় মফম চানা হুন্দোকপীনবা আপিল তৌরি।

সেনাপতি জিলাদা মনিপুর প্লাষ্টিক পোলিসি ২০২২ গী মখাদা মীয়ামদা প্লাষ্টিক বোটলশিং শিজিন্নদনবা হায়খ্রে।

দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-জিলা অসিবু লু-নান্না অমসুং হকচাং ফনবগী পান্দমদা মনিপুর প্লাষ্টিক পোলিসি ২০২২ গী মখাদা ম্যান্ম্নারদগী প্লাষ্টিক বেগশিং পুশিল্লক্লিবা অসি সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা থিংনবা হোৎনরগনি।

**ফার্ষ্ট এদ (এল)ঃ** ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-ককচিং ব্রান্স অমদি ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সনা শিনদুনা মালেমগী ফার্ষ্ট এদ নুমিৎকা মরী লৈননা চথুরকপা থৌরম ঙসি ককচিংগী গ্রেস কোটেজ কলচরেল এন্দ এদুকেস্নেল দিবলপমেন্ট ফাউন্দেসনগী ওফিসতা লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোই ৫৬ না ফার্ষ্ট এদকী মোগ দ্রিল উৎতুনা মীয়ামদা ফার্ষ্ট এদ করমা পীগনি হায়বগী মতাংদা খঙহননি। লোয়ননা মহৈরোইশিং অদুদা ত্রেন্নিং সার্টিফিকেটশিংসু য়েন্থোকখি।

**টেষ্ট (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা লাক্লিবা এস.এস.সি-এম.পি.এসকী রির্টন ইগজামিনেসন থাগদৌরিবশিংগী ওইবা মোগ টেষ্ট অমা ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী ভেং ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে।

**রিলিফ(এল)ঃ** কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই ওফিসার-থৌবালনা ঙসি লিলোং, থৌবাল অমসুং য়াইরিপোক বজারদা মীয়ামদা অহোংবা মমলদা চেং, হৱাই, থাউনচিংবা পোৎলম কয়া ফংহনখ্রে।

অমরোমদা, ১৯৭৯ ধনমঞ্জুরি কলেজ সাইন্স ষ্টোলৱার্ডস মনিপুরনস্ ঙসি কদাংবন্দ অমসুং কৌক্রুক্তা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

**ওবিৎ (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী ঈশৈ ময়েক ইবা, ইম্ফালগী ৱাংখৈ থঙ্গাপাৎ মপানদগী লাইশ্রম কেনেদি ঙরাং লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৬৭ শুখ্রে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি টাটানাগর-পাটনা য়াওনা ভন্দে ভারত রেলগাড়ি তরুক রাঞ্চি ইয়ারপোর্টতগী ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা লমথাখ্রে। হান্নদি রেলগাড়িশিং অদু জমসেদপুরদগী লমথানবা তৌরম্বনি।

শ্রী মোদিনা ঝরখন্দগী তোঙান তোঙানবা রেলৱে প্রোজেক্টশিং খরগীনা যাত্রা হুনখি অদুগা খরগীনা শঙ্গাখি। শ্রী মোদি ঙসি অয়ুক জমসেদপুরদা চৎনবগীদমক রাঞ্চি ইয়ারপোর্টতা থুংলখি। অদুমওইনমক, নোং চিংগী ফিভম ফত্তবা অমদি নীংথিনা উবা ঙমদবদগী মহাক্কী হেলিকোপ্তর অদু পাহখৎপা য়াখিদে।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা মীয়ামদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-ভন্দে ভারত রেলাগাড়িশিং চেলহনবা অসিনা ঝরখন্দ অমসুং য়ুমথংনরিবা রাজ্যশিং য়াওনা নোংপোক থংবা ভারত্তা শেল থুম অমসুং সংস্কৃত্তিগী লমদা

চাউখৎহল্লগনি। শ্রী মোদিনা হায়-অসিগুম্বা রেলগাড়িশিং অসিনা টুরিজমগী লমদসু নীংথিনা চাউখৎহল্লগনি অমসুং মীয়ামদা অহেনবা থবক পীবা ঙম্লগনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ঝরখন্দদা প্রধান মন্ত্রি-অৱাস য়োজনা গ্রামিনগী বিনিফিসরিশিংদা মখোয়গী অহানবা ইন্সটোলমেন্টগী শেনফম য়েন্থোকখ্রে। বিনিফিসরিশিংগী বেঙ্ক একাউন্টতা লুপা কোতি ৩২ মখোয় মখোয়গী একাউন্টশিংদা হাপচিনখি। মদুগী মথক্তা য়ুম লিশিং ৩২ গী শেঙ্কসন লেটরশিংসু য়েন্থোকখি। নৌনা শাবা য়ুম লিশিং ৪৬ সু বিনিফিসরিশিংদা শিন্নখি।

মীয়ামদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা অহেনবা য়ুম কোতি অনি অমগসু শাগনি। মহাকা হায়-ত্রাইবেল, শোথরবা কাংবু, দলিত, দিবিয়াং অমসুং নুপীশিংগী য়াইফনবা তৌবা হায়বসি লৈবাক অসিগী ওইনা মাংজিল থাবা থবকশিংনি। শ্রী মোদিনা হায়-পি.এম. অৱাস য়োজনানা মফম কয়াদা থবক থৌরম অমদি থবক পীবগী খুদোংচাবশিং হেনগৎহনগনি।

**কেজ্রিৱালঃ** দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি-অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা মহাক নুমিৎ নিনিগী মতুংদা মুখ্য মন্ত্রিগী ফম থাদোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মহাকা হায়-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি কনানা ওইগদগে হায়বদু লেপথোকবগীদমক আম আদমি পার্টিগী এম.এল.এশিংগী মীফম অমা পাঙথোক্কনি। শ্রী কেজ্রিৱালনা মথং চহিগী ফেব্রুৱারীদা পাঙথোকফম থোকপা দিল্লি বিধান সভাগী মীখল চহি অসিগী নবেম্বর থাদা মহারাস্ত্র বিধান সভাগী মীখলগা পুন্না পাঙথোক্কদবনি হায়নসু দাবী তৌখি।

দলগী ওফিসতা কর্মিশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী কেজ্রিৱালনা হায়-মীয়ামগী ওইবা রাই অমা পীরক্ত্রিবা ফাওবা মহাক মুখ্য মন্ত্রিগী চৌক্রিদা ঙমলোই। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা সুপ্রিম কোর্টনা দিল্লি এক্সাইজ পোলিসি কেসকা মরী লৈননা মহাকপু জামিন পীখিবনি।

**ডেঃ** ঙসি অসি ইঞ্জিনিয়ারশিংগী নুমিৎনি। চহি খুদিংগী সার মোক্সা গুন্দম ভিস ভেস ভারায়াগী মপোক নুমিৎ, সেপ্তেম্বর ১৫ অসি চহি খুদিংগী ইঞ্জিনিয়ারগী নুমিৎ হায়না পালন তৌরি।

মহাক অসি তোঙান তোঙানবা থোংশিং অমদি প্রোজেক্টশিং দিজাইন্দ তৌবদা চাউনা থৌদাং লৌখিবা লৈবাক অসিগী অহানবা ইঞ্জিনিয়ারনি।

**ধনকর ঃ** উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা ঙসি মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মহারাস্ত্রগী ইন্দষ্ট্রিয়েল ত্রেন্নিং ইন্সটিট্যুট ৪৩৪ গী ভোকেস্নেল ত্রেন্নিং সেন্টরশিংদা কন্সটিট্যুসন টেম্পলস হাংদোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ধনকরনা হায়-সংবিধান হায়বসি গনতন্ত্রগী থৱায়নি অমসুং সংসদনা মসিগী ঙাকশেন্নবনি। মহাকা হায়-সংবিধানবু পাগদবনি, খঙজিনগদবনি অমসুং ইকায় খুমগদবনি। শ্রী ধনকরনা রাজ্য অদুগী ইন্সটিট্যুসন পুমমকা অমত্তা ওইনা হোৎনমীন্নদুনা গনতন্ত্রগী মগুন হেনগৎহনগদবনি।

মহারাস্ত্রগী রাজ্যপাল-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়-ভারতকী সংবিধাননা মরম ওইদ্না লৈবাক অসিগী গনতন্ত্র অসি মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা অমা ওইহল্লি। কেন্দ্রগী সোসিএল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট রাজ্য মন্ত্রি-রামদাস অথাৱালে অমসুং মহারাস্ত্রগী ইমপ্লোইমেন্ট অমসুং ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ মন্ত্রি-মঙ্গল প্রভাদ লোধাসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

**এসসিঃ** আর.জি. কর মেদিকেল কলেজগী মতাংদা পুখৎলকপা সু মোটু কেস সুপ্রিম কোর্টনা থা অসিগী ১৭ তা মখা তানা বিচার চথরগনি। মমাং থাদা কোলকাতাদা লৈবা রাজ্য সরকারনা চল্লাইবা আর.জি. কর মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতালগী জ্নিয়ার ডাক্তর অমা ইজৎ মাঙহনবীরবা তুংদা হাৎখিবা অদুগী

সু মোটু কোকনিজেন্স খ্বাইদগী মকোক থোংবা কোর্ট অসিনা লৌখৎখ্রে।

চীফ জষ্টিস-দি.ৱাই. চন্দ্রচুদনা লুচিংবা জজ অহুমগী বেঞ্চ অমনা সি.বি.আইগী রিপোর্ট অদুগী মতাংদা খন্নগনি। সি.বি.আইনা ঙরাং আর.জি. কর মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতালগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা সনদ্বিপ ঘোস অমসুং টাটা পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন-চার্জ ওইরম্বা আভিজিৎ মোন্দলবু ইজৎ মাঙহনবা অমদি হাৎতোকপীখিবগী কেস অদুগা মরী লৈননা ফাখি। মমাং থাগী ৯ গী অয়ুক্তা হোস্পিতাল অদুগী সেমিনার হোলদা জনিয়ার ডাক্তর অদুগী অশিবা হকচাং ফংখিবা মতম অদুদা মোন্দল অসি টাটা পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন-চার্জ ওইনা লৈখি।

সনদ্বিপ ঘোস হান্নসু শেল থুম লান্না শিজিন্নবগী কেস অমগা মরী লৈননা সি.বি.আইনা ফারুরবনি।

**দেদঃ** উত্তর প্রদেসকী মেরঠতা বিল্ডিং নিংখায়বগী থৌদোক্তা শিখিবা মীগী মশিং তরা শুখ্রে।

ঙরাং নুমিদাংৱাইরম জাকির কোলোনিদা মথোল অহুমগী বিল্ডিং অমা নিংখায়রকখিবনি। মী কনবা মীওইশিংনা মখোয়গী থবক ঙসি অয়ুক লোয়শিনখি অমসুং অতেক অকায়শিং অদুসু শেংদোকখ্রে। মীওই মঙানা অতেক অকায় মরক্তগী পুথোরকখ্রে।

সরকারগী পাউনা হায়-থৌদোক অদু থোকপা মতমদা বিল্ডিং অদুদা মী ১৫ লৈখি। এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ. অমদি অতৈ তেংবাং পীবা কাংবু কয়ানা অহিং চুপ্পা অতেক অকায়শিং অদু শেংদোক্তুনা মী নল্লিব্রা হায়বদু য়েংখি।

**রাসিয়াঃ** রাসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী উংখৎনবগী থৌওংদা লানফা ওইনা ফাখিবা নাকল অনিমক্কী মীওই ২০৬ ঙসি মশা মশাগী মরমদা খুৎশিন্নখ্রে।

রাসিয়াগী ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়-করস রিজনদগী ফাখিবা রাসিয়াগী সার্ভিসমেন ১০৩ থাদোরক্লে। মদুগী মহুৎ শিনদুনা য়ুক্রেনগী লানফা ১০৩ সু মরমদা চৎহনখ্রে। মন্ত্রালয়না মখা তানা হায়-লানফা খুৎশিন্নবা অদুদা য়ুনাহটেদ অরাব ইমরেটসনা মেদিয়েটর ওইখি।